বি জে পি না মীখল মায় পাকখ্রবদি ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসন শোয়দনা শেমদোকখ্রগনি ঃ রাহুল গান্ধী

চেন্নাই, এপ্রিল ১২ (এজেন্সি) :

লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা বি জে পি না মায় পাকখিবা তারবদি লৈবাক অসিগী ফজখ্রবা কন্সটিট্যুসন অসি মখোয়না অপাম্বা মওংদা শোয়দনা শেমদোকখ্রগনি হায়না ঙসি টামিল নাদুদা পাঙথোকপা ইলেক্সন রেল্লি অমদা কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়, বি জে পি না লৈঙাক হেক পায়রকপদগী শুপনম-সাসনগী মওংদা মখোয়না অপাম্বা তৌদুনা লাকই। লৈবাক মীয়ামগী অপাম্বনা করিনো হায়বদু মখোয়না কৈদৌনুংদসু তাবীদে। হৌজিকসু ইলেক্সন মায় পাক্লবদি কন্সটিট্যুসন শেমদোক্কনি হায়না বি জে পিগী এম পি শিংনা লাউরি।

লৈবাক্কী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিবা নরেন্দ্র মোদিসু শেল-থুম খক্তমক উবা মীওইনি। মহাক্না লৈবাক্কী ফাইনান্স সিষ্টেম পায়শিন্দুনা মোনোপোলি তৌনবা হোৎনরি। ফাইনান্স খক্তা নত্তনা লৈবাক অসিগী কম্যুনিকেসন সিষ্টেম অমসুং মীদিয়া পুন্নমক মহাক্না অপাম্বা মওংদা চল্লাইহন্দুনা মীয়াম্বু লান্না লমজিংনবা হোৎনবদা নত্তনা অরানবা ৱাখল্লোনা কয়া শন্দোকহল্লি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা, হৌজিক লৈবাক অসিদা ৱাখল্লোন খেন্নবা গ্রুপ অনী থোক্লে। নাকল অমদনা সোসিয়েল জষ্টিস, নীংতম্বা অমসুং ঐখোয় পুন্নমক চপ মান্নবা মীৎয়েংনা য়েংবা পাম্বা কাংলুপ অমা অদুগা নাকল অমরোমদনা আর এস এস অমদি পি এম মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিগী মখোয়না নীংবদু তৌদবা য়াদে, খেন্নবা ৱাখল্লোন লৈবা মীওইশিংদি নমথদুনা থমগনি খনবা কাংলুপ অমগনি হায়খি।

পি এম মোদি অমসুং মহাক্কী বি জে পি পার্টিনা লৈবাক অসিদা লুচিংবা অমখক্তমক অমসুং লোন অমখক্তমক লৈহনবা পাম্লি। অদুবু মালেমদা খ্বাইদগী ফজবা দেমোক্রেসি লৈ হায়রিবা লৈবাক অসিদা ৱাখল্লোন খেন্নবা অমদি লোল, লাইনিং লাইশোন খেন্নবা কাংলুপ কয়া নুংশিননা লৈরম্বনা মালেম অসিদা খ্বাইদগী চাউবা দেমোক্রেসি ওইবা ঙল্লিবনি হায়বা মখোয়না খঙদে হায়খি।

রাহুল গান্ধীগী ৱারোল অদুদা কোংগ্রেসনা মীখল মায় পাক্লক্লবদি টামিল নাদুগী নহাশিংদা এপ্রেন্টিসশিপ ফংহন্নবা হোৎনগনি। লোয়ননা লৈবাক অসিদা হাংদুনা লৈরিবা পোষ্ট কয়া নৌনা থবক কৌখৎনবা থৌরাং তৌগনি। নহাশিংবু থবক পীবা হায়বসি লৈঙাক পায়রিবশিংগী খ্বাইদগী চাউবা থৌদাংনি হায়খি।

কোদ ওফ কন্দক থুগাইবগী কেস লৌখৎখ্রে

কোইম্বটোর, এপ্রিল ১২ (এজেন্সি) :

ইলেক্সনগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট (এম সি সি) থুগায় হায়দুনা টামিল নাদুগী বি জে পি ষ্টেট প্রসিদেন্ট ওইরিবা কে অনামলাইগী মথক্তা পিলামেদু পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখ্রে হায়রি।

কোইম্বটোরগী এম পি কেন্দিদেট ওইনসু থোক্লিবা কে অনামলাই অমদি মহাক্না লোয়ননা কেম্পেন তৌমিন্নখিবা বি জে পিগী মেম্বরশিংনা হৌখিবা শগোলশেল নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা ইলেক্সন কম্মিসন্না কেম্পেন তৌবা য়াবগী পীবা মতম অদু হেন্দোক্না কেম্পেন তৌরকপদগী দি এম কেগী ৱার্করশিংনা থীংলকপদা খৎন-চৈনবা অমা থোকখি। মসিগী মতুংদা দি এম কেগী মেম্বর অমনা ফাইল তৌরকপা কমপ্লেন অমগী মতুং ইন্না কে অনামলাই অমসুং অতোপ্পা বি জে পিগী মীওই অহুমগী মথক্তা ইলেক্সন কম্মিসননা পীবা মতম হেন্দোক্না কেম্পেন তৌবগী এম সি সি থুগায় হায়দুনা কেস লৌখৎপনি হায়রি।

জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা ষ্টেটহুদ অমুক পীনবা হোৎনরি ঙল্লবদি আর্টিকল ৩৭০ অমুক পুরকউ ঃ পি এম মোদি

উধম্পুর, এপ্রিল ১২ (এজেন্সি) :

ঙসি জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা লৈবা উধম্পুরদা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা পাঙথোকপা ইলেক্সন রেল্লি অমদা পি এম মোদিনা ওপোজিসনগী লুচিংবশিংদা মখোয়না ঙল্লবদি জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা ঐহাক্না মরু ফংনা মুখৎখ্রবা আর্টিকল ৩৭০ অমুক হন্না পুরকউ হায়না ফোঙদোকখ্রে।

পি এম মোদিনা হায়, কুমজা ২০১৯ দা ঐহাক্কী লুচিং মখাদা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখ্রবা মতুংদা কংগ্রেসনা লুচিংবা আই এন দি আই এ না লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা অরানবা পাউ শন্দোক্তুনা বি জে পিবু ফৎতনা উহন্নবা হোৎনখি।

জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী মীয়াম্বু ইন্দিয়াগী মফম অতৈগা হেন্না তোৎন-তিন্নবা অমসুং ইন্দিয়াগী মরুওইবা শরুক অমনি হায়বগী ৱাখল্লোন লৈহন্নবা আর্টিকল ৩৭০ অসি লৌথোকখিবনি। অফবা মাইকৈদা অওনবা অমা পুরক্লবা বি জে পি না লৌখৎখিবা খোঙথাং অসিবু শিংনদুনা করেম্নরিবা কোংগ্রেস লুচিংবশিংনা ঙল্লবদি লমদম অসিদা আর্টিকল ৩৭০ ঐহাক লৈরিঙৈদা অমুক লৈহনবা ঙমব্রা য়েংঙু হায়খি।

পি এম মোদিনা মখা তানা আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখিবদগী জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা লৈরিবা মীয়ামগী পূন্সি অদুক্কী মতিক ফগৎলে। মতম কুইরবগী তুংদা লমদম অসিদা টেররিজম অমদি ক্রোস বোর্দর ফায়রিংগী অকিবা লৈতনা ইলেক্সন পাঙথোকপা ঙম্লগনি। লমদম অসিগী মীয়াম্না পেন্দবদগী সেপরেটিজমগী ৱাখল্লোন লৈরম্বা অদুসু হৌজিক্তী মমি শামখ্রে।

এদুকেসন, হেল্থ অমদি তোঙান তোঙানবা সেক্টরশিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর হৌখিবা চহী খরা অসিদা ফগৎপা ঙম্লে। মতম ইকুই-কুইদনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরবু হান্নগুম্না ষ্টেটহুদ পীনবা বি জে পিগী লৈঙাক্না লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি। মতম অদু হেক য়ৌরকপগা মীয়াম্না মখোয়না থাগৎচবা এম এল এ অমসুং এম পি শিংগা লোয়ননা মঙলান কয়া শাগৎপা ঙম্লগনি। সেন্টর লৈঙাক্না জম্মু এন্দ কাশ্মিরবু ইন্দিয়াদগী তোঙানবা মফমনি হায়না খনবা লৈখিদে হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

ইরান অমসুং ইজরেলদা ইন্দিয়া মচাশিং মতম খরা চৎপা লেপ্পীয়ু ঃ মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফ্যেরস

ন্যু দেল্লি, এপ্রিল ১২ (এজেন্সি) :

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফ্যেরসনা ঙসি থোক্লককখিবা নোটিশ অমদা ইন্দিয়া মচাশিংনা ইজরেল অমসুং ইরানদা মতম খরা চৎপা লেপ্পীয়ু হায়না ফোঙদোরকখ্রে হায়রি।

মিনিষ্ট্রিগী চেরোল অদুদা হৌজিক হৌজিক ইরান অমসুং ইজরেলদা লৈরিবা ইন্দিয়া মচাশিংনা অথুবা মতমদা মফম অদুদা লৈরিবা ইন্দিয়ান এম্বেসিশিংদা চৎতুনা রেজিষ্টর তৌনবা হায়রকখি। লোয়ননা ইরান অমসুং ইজরেলগী মরক্তা লান থোকপা য়াবগী ফিভম লৈবনা ইন্দিয়া মচাশিংনা য়ারিবমখৈ চথোক্তনা লৈবা অমদি শাফগদবা মফম খন্দুনা লৈনবা খঙহল্লকখি।

ইজরেলনা সিরিয়াদা লৈবা ইরানগী এম্বেসিদা ষ্ট্রাইক তৌদুনা জেনরেল অনী হাৎখিবদগী ইরাননা মতিক চাবা লমন খুমগনি হায়না লেপ্তুনা লৈরি। মসিনা ইরানগী ফিরেপ অসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অনী অসিগী মরক্তা অচৌবা লান অমা থোক্লককপা য়াবগী ফিভম চাউনা লৈরে হায়রদুনা ফ্রান্সনসু মখোয়গী সিটিজেনশিং ইরান, ইজরেল, লিবিয়া অমসুং সিরিয়াদা মতম খরা চৎতনবা খঙহনখিবা লৈখ্রে।

ইরাননা এম্বেসিদা ষ্ট্রাইক তৌরকখিবা অদু ইজরেলননি হায়না মরাল শিরিবা অসিদা ইজরেলগী লৈঙাক্কী মাইকৈদগী হৌজিক ফাওবগী ওইনা পাউখুম অমত্তা পীরকপা লৈত্রি। ইরাননদি অথুবা মতমদা লমন খুমগনি হায়দুনা যু এস কী ওথোরিটিশিং হন্দোকখিনবা ফাওবা খঙহনখিবা লৈখ্রে।

ইরানগী লমন খুমগনি হায়বা ফিরেপ অসিদা ইরাননা সপোর্ট তৌবা প্রোক্সি গ্রুপ কয়াসু য়াওরক্তুনা মীদল ইষ্ট লৈবাকশিংদা অচৌবা লাঞ্জাও অমা থোরকপা য়ানা লৈরে হায়রি।

লানগীদমক চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা মতম ওইরে

পিয়োংয়াং, এপ্রিল ১২ (এজেন্সি) :

নোর্থ কোরিয়াগা নক্লনা লৈবা লৈবাকশিংদা জিওপোলিটিকেল টেন্সন হেনগৎলকপনা মশা ঙাকথোকচনবা নোর্থ কোরিয়ানা লানগীদমক চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা মীৎ-না শিংনা লৈবা মতম ওইরে হায়না লমদম অসিগী সুপ্রিম লিদর কিম জোং উননা ফোঙদোকখ্রে। ৱাফম অসি মহাক্না যুনিভর্সিটি ওফ মিলিটরি এন্দ পোলিটিক্সতা ফিল্ড গাইদেন্স পীবদা ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না হায়, য়ুমথংনবা লৈবাকশিংনা নোর্থ কোরিয়াদা লান্দারক্লবদি নিংহন্নবা তৌদনা লৈজবা খুৎলায় শিজিন্নদুনা য়েক্লববু তুম্না হাৎকনি। নোর্থ কোরিয়াগী মীয়াম্বু যু এস না লুচিংবা জিওপোলিটিকেল ইন্টরেষ্ট লৈবা লৈবাকশিংনা মুখৎনবা হোৎনরিবা অসিগী মায়োক্তা মতম চুপ্পগী ওইনা লেপ্তুনা লৈগনি হায়খি। মহাক্না যু এস অমদি সাউথ কোরিয়ানা লানগী দ্রিল চথরে হায়নসু মরাল শিখি।

ꯖꯝꯃꯨ ꯑꯦꯟꯗ ꯀꯥꯁ꯭ꯃꯤꯔꯗ ꯁ꯭ꯇꯦꯠꯍꯨꯗ ꯑꯃꯨꯛ ꯄꯤꯅꯕ ꯍꯣꯠꯅꯔꯤ ꯉꯜꯂꯕꯗꯤ ꯑꯥꯔꯇꯤꯀꯜ ꯳꯷꯰ ꯑꯃꯨꯛ ꯄꯨꯔꯛꯀꯨ ꯑꯃꯨꯛ ꯄꯨꯔꯛꯀꯨ : ꯄꯤ ꯑꯦꯝ ꯃꯣꯗꯤ

ꯎꯙꯝꯄꯨꯔ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯱꯲ (ꯑꯦꯖꯦꯟꯁꯤ) :

ꯉꯁꯤ ꯖꯝꯃꯨ ꯑꯦꯟꯗ ꯀꯥꯁ꯭ꯃꯤꯔꯗ ꯂꯩꯕ ꯎꯙꯝꯄꯨꯔꯗ ꯂꯣꯛ ꯁꯚꯥ ꯃꯤꯈꯜꯒ ꯃꯔꯤ ꯂꯩꯅꯅ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯄ ꯏꯂꯦꯛꯁꯟ ꯔꯦꯂꯤ ꯑꯃꯗ ꯄꯤ ꯑꯦꯝ ꯃꯣꯗꯤꯅ ꯑꯣꯄꯣꯖꯤꯁꯟꯒꯤ ꯂꯨꯆꯤꯡꯕꯁꯤꯡꯗ ꯃꯈꯣꯌꯅ ꯉꯜꯂꯕꯗꯤ ꯖꯝꯃꯨ ꯑꯦꯟꯗ ꯀꯥꯁ꯭ꯃꯤꯔꯗ ꯑꯩꯍꯥꯛꯅ ꯃꯔꯨ ꯐꯪꯅ ꯃꯨꯈꯠꯈꯔꯕ ꯑꯥꯔꯇꯤꯀꯜ ꯳꯷꯰ ꯑꯃꯨꯛ ꯍꯟꯅ ꯄꯨꯔꯛꯀꯨ ꯍꯥꯌꯅ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯈꯔꯦ꯫

ꯄꯤ ꯑꯦꯝ ꯃꯣꯗꯤꯅ ꯍꯥꯌ, ꯀꯨꯝꯖ ꯲꯰꯱꯹ ꯗ ꯑꯩꯍꯥꯛꯀꯤ ꯂꯨꯆꯤꯡ ꯃꯈꯥꯗ ꯖꯝꯃꯨ ꯑꯦꯟꯗ ꯀꯥꯁ꯭ꯃꯤꯔꯗꯒꯤ ꯑꯥꯔꯇꯤꯀꯜ ꯳꯷꯰ ꯂꯧꯊꯣꯛꯈꯔꯕ ꯃꯇꯨꯡꯗ ꯀꯪꯒ꯭ꯔꯦꯁꯅ ꯂꯨꯆꯤꯡꯕ ꯑꯥꯏ ꯑꯦꯟ ꯗꯤ ꯑꯥꯏ ꯑꯦ ꯅ ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯃꯐꯝ ꯀꯌꯥꯗ ꯑꯔꯥꯟꯕ ꯄꯥꯎ ꯁꯟꯗꯣꯛꯇꯨꯅ ꯕꯤ ꯖꯦ ꯄꯤꯕꯨ ꯐꯠꯇꯅ ꯎꯍꯟꯅꯕ ꯍꯣꯠꯅꯈꯤ꯫

ꯖꯝꯃꯨ ꯑꯦꯟꯗ ꯀꯥꯁ꯭ꯃꯤꯔꯒꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝꯕꯨ ꯏꯟꯗꯤꯌꯥꯒꯤ ꯃꯐꯝ ꯑꯇꯩꯒ ꯍꯦꯟꯅ ꯇꯣꯠꯅ-ꯇꯤꯟꯅꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯏꯟꯗꯤꯌꯥꯒꯤ ꯃꯔꯨꯑꯣꯏꯕ ꯁꯔꯨꯛ ꯑꯃꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯒꯤ ꯋꯥꯈꯜꯂꯣꯟ ꯂꯩꯍꯟꯅꯕ ꯑꯥꯔꯇꯤꯀꯜ ꯳꯷꯰ ꯑꯁꯤ ꯂꯧꯊꯣꯛꯈꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯑꯐꯕ ꯃꯥꯏꯀꯩꯗ ꯑꯑꯣꯅꯕ ꯑꯃ ꯄꯨꯔꯛꯂꯕ ꯕꯤ ꯖꯦ ꯄꯤ ꯅ ꯂꯧꯈꯠꯈꯤꯕ ꯈꯣꯡꯊꯥꯡ ꯑꯁꯤꯕꯨ ꯁꯤꯡꯅꯗꯨꯅ ꯀꯔꯦꯝꯅꯔꯤꯕ ꯀꯣꯡꯒ꯭ꯔꯦꯁ ꯂꯨꯆꯤꯡꯕꯁꯤꯡꯅ ꯉꯜꯂꯕꯗꯤ ꯂꯝꯗꯝ ꯑꯁꯤꯗ ꯑꯥꯔꯇꯤꯀꯜ ꯳꯷꯰ ꯑꯩꯍꯥꯛ ꯂꯩꯔꯤꯉꯩꯗ ꯑꯃꯨꯛ ꯂꯩꯍꯟꯕ ꯉꯝꯕꯔꯥ ꯌꯦꯡꯉꯨ ꯍꯥꯌꯈꯤ꯫

ꯄꯤ ꯑꯦꯝ ꯃꯣꯗꯤꯅ ꯃꯈꯥ ꯇꯥꯅ ꯑꯥꯔꯇꯤꯀꯜ ꯳꯷꯰ ꯂꯧꯊꯣꯛꯈꯤꯕꯗꯒꯤ ꯖꯝꯃꯨ ꯑꯦꯟꯗ ꯀꯥꯁ꯭ꯃꯤꯔꯗ ꯂꯩꯔꯤꯕ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯄꯨꯟꯁꯤ ꯑꯗꯨꯛꯀꯤ ꯃꯇꯤꯛ ꯐꯒꯠꯂꯦ꯫ ꯃꯇꯝ ꯀꯨꯏꯔꯕꯒꯤ ꯇꯨꯡꯗ ꯂꯝꯗꯝ ꯑꯁꯤꯗ ꯇꯦꯔꯔꯤꯖꯝ ꯑꯃꯗꯤ ꯀ꯭ꯔꯣꯁ ꯕꯣꯔꯗꯔ ꯐꯥꯏꯔꯤꯡꯒꯤ ꯑꯀꯤꯕ ꯂꯩꯇꯅ ꯏꯂꯦꯛꯁꯟ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯄ ꯉꯝꯂꯒꯅꯤ꯫ ꯂꯝꯗꯝ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅ ꯄꯦꯟꯗꯕꯗꯒꯤ ꯁꯦꯄꯔꯦꯇꯤꯖꯃꯒꯤ ꯋꯥꯈꯜꯂꯣꯟ ꯂꯩꯔꯝꯕ ꯑꯗꯨꯁꯨ ꯍꯧꯖꯤꯛꯇꯤ ꯃꯃꯤ ꯁꯥꯝꯈꯔꯦ꯫

ꯑꯦꯗꯨꯀꯦꯁꯟ, ꯍꯦꯜꯊ ꯑꯃꯗꯤ ꯇꯣꯉꯥꯟ ꯇꯣꯉꯥꯟꯕ ꯁꯦꯛꯇꯔꯁꯤꯡꯒꯤ ꯏꯟꯐ꯭ꯔꯥꯁ꯭ꯠꯔꯀꯆꯔ ꯍꯧꯈꯤꯕ ꯆꯍꯤ ꯈꯔꯥ ꯑꯁꯤꯗ ꯐꯒꯠꯄ ꯉꯝꯂꯦ꯫ ꯃꯇꯝ ꯏꯀꯨꯏ-ꯀꯨꯏꯗꯅ ꯖꯝꯃꯨ ꯑꯦꯟꯗ ꯀꯥꯁ꯭ꯃꯤꯔꯕꯨ ꯍꯟꯅꯒꯨꯝꯅ ꯁ꯭ꯇꯦꯠꯍꯨꯗ ꯄꯤꯅꯕ ꯕꯤ ꯖꯦ ꯄꯤꯒꯤ ꯂꯩꯉꯥꯛꯅ ꯂꯦꯞꯄ ꯂꯩꯇꯅ ꯍꯣꯠꯅꯔꯤ꯫ ꯃꯇꯝ ꯑꯗꯨ ꯍꯦꯛ ꯌꯧꯔꯀꯄꯒ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅ ꯃꯈꯣꯌꯅ ꯊꯥꯒꯠꯆꯕ ꯑꯦꯝ ꯑꯦꯜ ꯑꯦ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯦꯝ ꯄꯤ ꯁꯤꯡꯒ ꯂꯣꯌꯅꯅ ꯃꯉꯂꯥꯟ ꯀꯌꯥ ꯁꯥꯒꯠꯄ ꯉꯝꯂꯒꯅꯤ꯫ ꯁꯦꯟꯇꯔ ꯂꯩꯉꯥꯛꯅ ꯖꯝꯃꯨ ꯑꯦꯟꯗ ꯀꯥꯁ꯭ꯃꯤꯔꯕꯨ ꯏꯟꯗꯤꯌꯥꯗꯒꯤ ꯇꯣꯉꯥꯟꯕ ꯃꯐꯃꯅꯤ ꯍꯥꯌꯅ ꯈꯟꯕ ꯂꯩꯈꯤꯗꯦ ꯍꯥꯌꯅꯁꯨ ꯃꯍꯥꯛꯅ ꯃꯈꯥ ꯇꯥꯈꯤ꯫

ꯄꯥꯟꯖꯤꯒꯤ ꯀ꯭ꯂꯥꯁ / পাঞ্জিগী ক্লাস
(অতেনবা মতমগী)

ক্লাস হৌবা ঃ তাং ১।৫।২০২৪
মফম ঃ তাকয়েল কোলোম লৈকায়। (Montesori Kindergarden গী মনাক)
কম্প্যুটর সোফটৱারনচিংবা শিজিন্নবা য়াওনা তৌগদবা ক্লাস।
শ্রী এ: শ্যামকিশ্বর সিংহ, আচার্য্য
পাউ ফাউফম Mobile - 8974054629
HL-P/10027/11,13,15 Apr.

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: THOUBAL, MANIPUR

Ref :- Mutation Case No. 76 of 2024

Thokchom Mangibabu Singh, S/o (L) Th. Ningthem Singh of Khangabok Sani Lou

- Petitioner

- Vs -

(Late) Thokchom Ningthem Singh, S/o (L) Manao Singh of Khangabok Sani Lou

- Respondent

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Thoubal, the 12th April, 2024

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিনা দরখাষ্ট অমা থারক্লে মদুদি Village No. 123-Wangbal, Patta No. 524 (N) covered by C.S. Dag No. 94 an area of 0.0607 hects of Phourel class, অসিগী Pattadar No. 3 (L) Thokchom Ningthem Singh অসি মৃতু ওইখ্রে হায়ররে অদুগা Co-Pattadar No. 1, 2, & 4 অসিদি লৈহৌরি Co-pattadar No. 3 অসি মৃতু ওইখ্রবগী তুংদা মাগী মচানুপা Thokchom Mangibabu Singh অসিনা লৈখিদ্রবা অসিগী মমিং অসি লৌথোক্লগা মাগী মমিং চংহনবীরো হায়দুনা মথক্কী court অসিদা হায়ররে মরম অসিনা মৃতু Pattadar গী লৈহৌরিবা ইমুং-মনুং অমদি লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়েৎপিনিংবা য়াওরবদি খবরদা ফোঙবদগীনা নুমিৎ ৭ ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা নৎত্রগা ইশানা court তা লাক্তুনা objection তৌবিবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা Objection লৌজরোই; কোর্টকী নিয়ম মতুং ইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

Sd/- Nonganba Konjengbam
Sub-Deputy Collector
Thoubal

HL-P/10421/13 Apr.

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: THOUBAL, MANIPUR

Ref :- Mutation Case No. 77 of 2024

1. Thokchom Manglem Singh, S/o (L) Th. Ningthem Singh of Khangabok Sani Lou Leikai
2. - do - Robindro Singh, S/o (L) - do - of - do -
3. - do - Arunjit Singh, S/o (L) - do - of - do -

- Petitioner

- Vs -

(Late) Thokchom (O) Leirikmacha Devi, W/o (L) Ningthem Singh of Khangabok Sani Lou

- Respondent

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Thoubal, the 12th April, 2024

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিনা দরখাষ্ট অমা থারক্লে মদুদি Village No. 123-Wangbal, Patta No. 373 (N) covered by C.S. Dag No. 1242 an area of 0.72800 hects of Phourel class, অসিগী Pattadar (L) Thokchom (O) Leirikmacha Devi অসি মৃতু ওইখ্রে হায়ররে মৃতু ওইখ্রবগী তুংদা মাগী মচানুপা 1. Thokchom Manglem Singh, 2. Thokchom Robindro Singh, 3. Thokchom Arunjit Singh অসিনা লৈখিদ্রবা অসিগী মমিং অসি লৌথোক্লগা মখোয়গী মমিং চংহনবীরো হায়দুনা মথক্কী court অসিদা হায়ররে মরম অসিনা মৃতু Pattadar গী লৈহৌরিবা ইমুং-মনুং অমদি লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়েৎপিনিংবা য়াওরবদি খবরদা ফোঙবদগীনা নুমিৎ ৭ ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা নৎত্রগা ইশানা court তা লাক্তুনা objection তৌবিবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা Objection লৌজরোই; কোর্টকী নিয়ম মতুং ইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

Sd/- Nonganba Konjengbam
Sub-Deputy Collector
Thoubal

HL-P/10421/13 Apr.

ꯄ꯭ꯂꯥꯅꯦꯠ ꯑꯦꯀꯥꯗꯦꯃꯤ
PLANET ACADEMY
KEISHAMPAT JUNCTION OPT. CC PUR PARKING
Gateway to future academic career
admission open
Foundation Course
CLASS-XII (Cohsem & Cbse)
Phy, Chem, Maths, Bio, H.Sc. & Eng.
Class commencing on 1st April, 2024
CLASS-XI (Cosem &Cbse)
Phy, Chem, Maths & Bio
Class starts on 18th April 2024
Class Timing
Morning: 4:30 - 6:45 am
Evening: 4:15 - 8:00 pm
Special Features:
Focus & provided foundation for NEET & JEE aspirants
Vision for toppers
Analysis of most probable Q&A for the upcomming final exam, 2025
Regular chapterwise test series on every sunday
Extra classes for weak students on regular basis
Special concession for students of Govt. schools & relieff camps.
Van facility & seperate Hostel for boys & girls
Limited seats First come first serve with concession
For further details, please contact: Office, PLANET ACADEMY 9863002206
.HL-B/8680/9 to 27 April alt

ꯑꯄꯣꯂꯣ ꯑꯦꯀꯥꯗꯦꯃꯤ
Admission Open for FOUNDATION COURSE
Apollo Academy
Kwakeithel Bazar, Airport Road-01
Near AMUCO Building
Class XII Science
Phy + Chem + Bio + Maths + Comp.Sc. + Home Sc.+M.M.+Eng.
Class Starts: 15th April, 2024 | Timing : 4:10 p.m. to 7:50 p.m.
Class XI Science
Phy + Chem + Bio + Maths+English
Class Starts: 25th April, 2024
Timing : Morning (6:00 am to 9:45 am) Evening (4:10 pm to 7:50 pm)
[Both CBSE & COHSEM]
We provide
"CUET/JEE/NEET Nurture Test Series & FREE Basic Computer classes"
Weekly/Bi weekly Test Series for Every Subjects
Special features:
SPECIAL ENGLISH & MM CLASSES OF COHSEM SYLLABUS ONLY
School Van Service. Affordable Tuition Fees
Half Hostel Admission fee for 2023 Matric Rank Holders & Government school students (Limited seats).
Study materials from Edurev & Infinity Learn
Avail Hostel for boys & girls.
Mess Fee : 4,500/- per month
For enquiry:
Pliz visit Apollo Office (8258013846)
HL-B/8672/2 April to 5 May

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, WAIKHONG

Ref :- Mut. Case No. 14/SDC/WKG-2024

App: Khangembam Nandi Devi, W/o Kh. Sanjoy Singh of Haobam Marak Keisham Leikai

-VS-

(Late) Mayanglambam Bino Devi, W/o (L) Mayanglambam Maipak Singh of Heirangoithong Imphal

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Dated. 12/04/2024

Under Section 46 (3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তাহশিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং ৮০-ককচিং খুনৌ পাটা নং ১৪৯৫ দাগ নং ১৪০, ১৫৪ এরিয়া ১.২০, .৬০ একর চাওবা তাওথবি লৌফম অসিগী পাটাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাসকরিনা মমিংদা পাটা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি খবর অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথজগনি।

Sd/- **Sub Deputy Collector**
Waikhong

HL-P/10420/13 Apr.

ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE

The Special General Body Meeting of the Awang Sekmai Scheduled Caste Development Committee (ASSCDC) held on the 25th February, 2024 Ex-President was removed from the membership and the President by more than two-third members (29 members out of 40 members) for violating the By-law of the ASSCDC.

In another General Body Meeting of the ASSCDC dated the 30th March, 2024, Maharabam Ranjen Singh was formally elected as the President of the ASSCDC by concensus. The Meeting was attented by 31 ASSCDC members.

So, the signature of the Ex-President, other previous official Seals and the letter heads will not be used anymore. If anybody found using it, he/she will be strictly punished.

Sd/-
M. Ranjen Singh
President
Awang Sekmai Scheduled Caste
Development Committee

HL-P/10419/13 Apr.

ꯂꯝ ꯌꯣꯡꯉꯔꯤ / লম য়োঙ্গরি
নম্বোল ফোইজিং অৱাংদা লৈবা Pt. 0.45 না ইংখোল ওইবা অমসুং Pt. 0.62 না ফৌরেল লৌফম ওইবা লম অসি অথুবগী ওইনা য়োঙ্গরি। কনাগুম্বা পাম্বীবা মীওইশিংনা মখাগী Contact No. অসিদা পাউ ফাওবীরকপা য়াগনি।
* No Brokers
Contact. No. 9402455986
HL-P/10414/13 Apr.

Unique Education CBSE
Estd.2007
The first CBSE & ICSE Coaching Centre at Imphal.
ADMISSION OPEN
Vacation Course for NAVODAYA, SAINIK & Outsiders CBSE IX ,X ,XI, XIISc.&Arts.
3-months Foundation for CBSE / CoHSEM XI Sc.
5th-April-2024
IX & X -- English, Maths, Science & S-Science
XI & XIISc.-Physics, Chemistry, Biology & Maths
5-months Foundation for CBSE IX & X
5-months Foundation for CBSE & CoHSEM XII Sc.
Girls Hostel in the same block
Van service / Boys Hostel
Sega Road Konjeng Hazari Leikai. Opp Sangai Express
HL-B/8647/15 to 31

ADVANCED COACHING INSTITUTE (ACI)
THE LARGEST, TRUSTED & PREMIER COACHING INSTITUTE IN MANIPUR
MAXIMUM POSITION HOLDERS IN HSLC & COHSEM EXAM EVERY YEAR
Science/Arts/ comm
TOPPERS STUDENTS

HSLC: 2nd Post DHANAJIT, 9th Post. SWATI, 10th Post' KHENILA, 11TH Post NEVITA, 15th Post AVANTIKA, 16th Post SHAGEINGANBA, 17th Post BIDAYA, 17th Post KHENIKA, 17th Post KHENIJA, 7th post SNEHA, 9th Post MALEM, 23TH Post . PARES, 24th Post TANU
SCIENCE: 11 TH Post NEVITA, 4TH Post ROBINSON, 6TH Post SHAH MINHAZ, 8th Post. ANJU ANAND, 9th Post. THOUNGAMBA, 16th Post SAMANANDA
ARTS: 3RD Post FIROJH., 7TH Post OBINKUMAR, 8th Post. PARITON, 8th Post. PARIHAN, 10th Post. SANATHOI, 5th Post SHARMELI, 5TH Post BERON, 8th Post. LINTHOINGAMBI, 10th Post. BRINDASHI
STATE BOARD (BOSEM /COHSEM (HURRY!! LIMITED SEATS!!!) CENTRAL BOARD (CBSE)
XI & XII course (Sc./Arts/Comm) : 15th, 18th April
IX & X COURSE : 15th, 18th April
IX & X FOUNDATION : 15th & 18th April
X! & XII (Sc / Arts/ Comm) : 15th, 18th April
1 Month Free spoken(Hindi/ English) & computer classes for first 50 Students (x result waiting)
SPECIAL CONCESSION: ACIANS or Any former students 2. students of Govt. schools 3. Meritorius student 4. Two or more students of same parent
TIME : 4.15 to 7.50pm 4pm to 7.30pm
SPECIAL facilities: 1. Study materials of each chapter 2. Sunday Test Series 3. Sunday extra Classes For optional subjects & MIL 4. van Services 5. Extra class for weakers STUDENTS 6. Separate Boys Hostel/ Girl Hostel 7. Motivation
For details Plz visit to office, Nagamapal during office hours(11 to 7.30 pm) & Kwakeithel (10.30 to 4.30 pm)#9862992105
HL-B/8530/19 Mar. (30 days Alt)